# ১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুএসএ অমদি ইন্দিয়া–বি মায় পাকখ্রে।

পোলো ইন্টরনেসনেল অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা য়ুএসএ না ইন্দিয়া–এবু পাঞ্জল ১৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়ুএসএ গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ পেদ্রো লারা, জর্সি নম্বর ২ টিগান ব্রালস, জর্সি নম্বর ৪ চাদ বৌমেননা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ পেদ্রোলারানা পাঞ্জল, জর্সি নম্বর ৪ চাদ বৌমেননা পাঞ্জল অহুম, জর্সি নম্বর ১ কোনোরদিননা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কোনোরদিন অমদি জর্সি নম্বর ৪ চাদ বৌমেননা পাঞ্জল ২ / ২ চনখি।

মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কোনোরদিননা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা ইন্দিয়া–এগী পাঞ্জল অনী অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ তারসেম সিংহনা পাঞ্জল অনী চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা ইন্দিয়া–বিনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৭–৪ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়া–বিগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ এস বিমোল অমদি জর্সি নম্বর ২ টি প্রদিপনা পাঞ্জল অমমম, জর্সি নম্বর ৪ টিঐচ চাওবনা পাঞ্জল অনী, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ টি প্রদিপনা পাঞ্জল অহুম চনখি।

মায়থিরবা ইংলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা অমদি অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ বেন ইলিনিনা পাঞ্জল অমমম, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ হেনরি অমোর অমদি জর্সি নম্বর ১ জোর্স সেটলনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

# বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি মেটচশিংদা ফার্ম ইম্ফাল অমদি ভিএসআই থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ফার্ম ইম্ফালনা সিসিপুরবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ফার্মগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১৩ হেমিনথাংনা মিনট ১৫ অমদি জর্সি নম্বর ১৮ কজাই কাংপুনা মিনট ৪৩দা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা সিসিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৭ টি সেক্লমনা মিনট ৪ দা চনখি।

৯শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা টিবিএসএফএ তবুংখোক অমদি বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুর গোল অমত্তা চান্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮গী ১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা ভিএসএআই থাংমৈবন্দনা ভিএফসি শিংজমৈবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ভিএসআই থাংমৈবমন্দগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ রাজেন খাগেম্বমনা মিনট ৮, জর্সি নম্বর ১২ টিঐচ বুবেননা মিনট ১৭ অমদি জর্সি নম্বর ৭ সিঐচ অনন্দনা মিনট ৩৪দা গোল অমমম চনখি।

মিনট অসিদা ভিএসআই থাংমৈবন্দগী জর্সি নম্বর ৮ খোগেনদা রেফরি ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# ৪শুবা ইন্টরনেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি ৱার্ল্ড থাঙ–তা ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা হুয়েল লাংলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুর অমসুং থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা মরিশুবা ইন্টরনেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসি মেটচশিংগী জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অমগী কেজি ৪৪দা ইন্দিয়া–এগী এসঐচ রোসলেননা গোল্ড, কেজি ৪৮তা নেপালগী পুরনা বাহদুর রাইনা গোল্ড, ইন্দিয়া–এগী এল অরুনকুমারনা সিলভর, কেজি ৫২দা নেপালগী মুকেস মালিকনা গোল্ড, কেজি ৫৬কীদা ইন্দিয়া–এগী দব্লিউ রোসননা গোল্ড, কেজি ৬০গীদা ইন্দিয়া–এগী অদিটিয়া বিক্রম সিংহনা গোল্ড, কেজি ৬৫গীদা ইন্দিয়া–বিগী লৈশেম্বা য়েংখোমচানা গোল্ড, নেপালগী অবিনাস চৌধুরিনা সিলভর, ইন্দিয়া–এগী ইমাউলহকনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৭৫গীদা ইন্দিয়া–এগী ৱাই দিপকনা গোল্ড, কেজি ৮০গীদা ইন্দিয়া–সিগী টিঐচ মালেমঙাম্বা লুৱাংনা গোল্ড, ইন্দিয়া–এগী ৱাই রোবাটসননা সিলভর, কেজি ৮০ মথক্কীদা ইন্দিয়া–এগী ঐচ লাঙম্বনা গোল্ড লৌখি।

জুনিয়র গার্লস ফুনবা অনীশুবগী কেজি ৪৪ দা ইন্দিয়া–বি সালিমালি দজুর নেশ্বরনা গোল্ড, কেজি ৪৪দা নেপালগী দিলকুমারিনা গোল্ড, ইন্দিয়া–এগী এল উমানা সিলভর, কেজি ৪৮কীদা ইন্দিয়া–এ গী সিঐচ রিয়া চনুনা গোল্ড, নেপালগী হেমকালা রাইনা সিলভর, কেজি ৫২দা ইন্দিয়া–এগী এম মেলোদিনা গোল্ড, নেপালগী দিক্তা চৌধুরিনা সিলভর, কেজি ৫৬তা ইন্দিয়া–এগী কে মেরিনানা গোল্ড, ইন্দিয়া–বিগী সাইরা জহুরনা সিলভর, কেজি ৬০ দা ইন্দিয়া–এ নিহা য়ুমখাইবমনা গোল্ড, নেপালগী লিসা প্রদাননা সিলভর, কেজি ৫৫ ইন্দিয়া–এগী পিঐচ সমিলানা গোল্ড, ইন্দিয়া–বিগী বারিরা অতাপনা সিলভর অমদি কেজি ৭০ দা টিঐচ প্রিয়া চনুনা গোল্ড লৌখি।

জুনিয়র গার্লস ফুনবা অমগী কেজি ৪০ দা ইন্দিয়া–এগী রোবিনা হৈস্নামনা গোল্ড, কেজি ৪৪দা নেপালদগী দিলকুমারি শ্রেস্থাননা গোল্ড, কেজি ৪৮ গীদা ইন্দিয়া–এগী ঐচ ইলিয়া চনুনা গোল্ড, নেপালগী হেম কালা রাইনা সিলভর, ইন্দিয়া–বিগী মুমিনহা অয়াসনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৫২ দা ইন্দিয়া–এগী এল সোফিয়া চনুনা গোল্ড, নেপালগী গিতা চৌধুরিনা সিলভর, কেজি ৫৬তা ইন্দিয়া–সি গী রোনাল্ড রিয়াসনা গোল্ড, ইন্দিয়া–এগী উদেকুমার পাটিনা সিলভর, কেজি ৬০ দা নেপালগী বিসা প্রধাননা গোল্ড, ইন্দিয়া–বি গী অবিনা অহমদনা সিলভর, কেজি ৬৫তা ইন্দিয়া–এগী এল সেরিনা গোল্ড, ইন্দিয়া–বিগী তাবি মুস্তাকনা সিলভর, কেজি ৭০তা ইন্দিয়া–এগী কেঐচ প্রিয়াংকা চনুনা গোল্ড লৌখি।

জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অনীশুবগী ৪৪ কেজিদা ইন্দিয়া–এগী ঐচ মঙাললৈবা মৈতৈনা গোল্ড, কেজি ৪৮তা ইন্দিয়া–এগী লগোনবা ওইনামনা গোল্ড, নেপালগী পুনারাইনা সিলভর, কেজি ৫২ দা ইন্দিয়া–বি গী ৱাই উমাকান্তনা গোল্ড, নেপালগী মুকেস মালিকনা সিলভর, কেজি ৫৬তা ইন্দিয়া–বিগী অনাল উবালনা গোল্ড, ইন্দিয়া–এগী এল লুহেনবা মৈতৈনা সিলভর, কেজি ৬০ দা ইন্দিয়া–এ গী টিঐচ রাজেসনা গোল্ড, কেজি ৬৫তা ইন্দিয়া–এগী এসঐচ সাঙ্গেঙাম্বা মৈতৈনা গোল্ড, নেপালগী অবিনাস চৌধুরিনা সিলভর, কেজি ৭০ দা ইন্দিয়া–এ গী কেএসঐচ রোবিন্সননা গোল্ড, কেজি ৮০ ইন্দিয়া–এ গী থিজেন শগোলশেম্না গোল্ড, কেজি ৫০ মথক্কীদা ইন্দিয়া–এগী ৱাসি উলহকনা গোল্ড, ইন্দিয়া–বি গী আরকে নোংপোকঙাম্বনা সিলভর লৌখি।

# ওইনাম চর্লি কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ২৪দগী কাংখূৎ ১২না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্তা লৈবা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরক্লিবা অহানবা ওইনাম চর্লি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রনা নম্বোল কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৪–১১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা নম্বোলনা হান্না তোচ ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। মেটচ অসিদা পিঐচ তোঞ্জাওনা অম্পায়র, কেঐচ নাওবনা স্কোরমেন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল ঙসি শিংজমৈ কেন্দ্র অমদি থাংমৈবন্দ কেন্দ্র অনীনা শান্নরগনি।

# মণিপুর সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ

গুজরাটকী রাজস্কোটতা চথরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা. বিসি রোই ত্রোফি ২০১৮–১৯ (টাইয়র–২) গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা য়ুম্বু গুজরাটপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।


ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৬ এমদি মুসরাট অলামনা মিনট ২২, জর্সি নম্বর ১০ ফাইরেম্বম রোস্তমনা মিনট ৭৮ অমদি সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জর্সি নম্বর ১৪ এমদি জকির খাননা মিনট ৯০প্লস ৩ দা গোল অমমম চনদুনা য়ুম্বু গুজরাটপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরনা অন্ধ্র প্রদেশকা থা অসিগী ২৬তা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

# ওফিসিয়েলগী মিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৫ অমসুং ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেন্দলি ৱুমেন ফুটবোল এক্সিভিসন মেটচতা কন্দক তৌনবগীদমক মেটচ কম্মিস্নর অমদি রেফরিশিংগী মিং লাউথোক্লে। খল্লবা ওফিসিয়েলশিংনা থা অসিগী ২৪দগী নুংথিল পুং ২দা অম্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*